HUEIYEN LANPAO

# গীলেস মুল্লর, মারিন সিলিক, ক্রিগিওসনা জপান ওপনদা মায় পাক্লা চঙশিনখ্রে



টোকিয়ো, ওক্টোবর ০৫ :

অহুমশুবা সীদ টোমাস বার্দিচনা মফম অসিদা চথ্থরিবা জপান ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা লক্সমবর্গকী গিল্লেস মুল্লরগী মখুৎতা ৭-৬(৭), ৬-১ দা মায়থীদুনা ওপন অসিদগী মপান থোকখি। বার্দিচনা অহানবা ট্রাইব্রেকরগী তরুকশুবা গেমদা ব্রিক পোইন্ট অহুম পীথোকখ্রবা মতুং সেট পোইন্টসু লৌবা ঙমখিদে। অনীশুবা মেচতা ৩-০ দা নেম্না লৈখ্রবা মতুং ফীভম চানা লৈবা ঙমখিদবদগী মুল্লরবু নমহৎপা ঙমখিদে। মুল্লরনা এস ১২ কনখিদুনা কন্টেষ্ট অদু মায় পাকখি।

মেচ লোইরবা মতুং বার্দিচনা হায়খি, ঐনা অহানবা সেটতা ৪০-০ দা মাঙজিল থানা লৈনবগী খুদোংচাবা ফংখি, অদুবু মদু লৌবদি ঙমখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

মরিশুবা সীদেদ ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকনা স্পানিশকী বেজলাইনর ফর্নান্দো ভার্দাস্কোবু ৪-৬,৭-৫, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্বা অহানবা প্লেয়রসু ওইবা ঙমখি।

অমরোমদা, নিক ক্রিগিওসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা জপান ওপনগী অহানবা রাউন্দদা রয়ান হরিমনবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিগিওসনা মহাক্কী মায়োক্লখিবা ওপোনেন্টগী মায়োক্তা এস ১৪ য়ৈখিদুনা মিনিট ৭৬ চঙনা শান্নখিবা অদুদা ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ লোইরবা মতুংদা ক্রিগিওসনা হায়খি, ঐগী সার্ভ অসি চাউরবা ৱেপন অমনি। মসিনা ঐবু খুদোংথীগদবদগী লাপ্পা পুথোক্লি। মসি মতম পুন্নমক্তা ঐগী গেমগী শরুক অমনি মদুদি ঐনা মেচশিং মায় পাকপা ঙম্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ক্রিগিওসনা মথংগী মেচতা ভেটরান রাদেক ষ্টেপানেক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। রাদেক ষ্টেপানেকনা ষ্টেফেন রোবার্টপু ৬-২, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি। অদুগা অনীশুবা সীদ গেল মোনফিলসনা য়ুইচি সুগিতাবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা সীদ দেভিদ গোফিননা য়োলিহিটো নিলিওকাবু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

ইভো কার্লোভিকনা ফেদেরিকো দেলবোনিসপু মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। অদুগা জিরি ভেসেলি, জুঅন মোনাকো, গিল্লেস সিমোন, মার্কোস বাযদাটিস অমদি ত্রাঙ্কো টিপসারেভিকসু মায় পাক্লা চঙশিনখি। নিপানশুবা সীদ ফেলিসিয়ানো লোপেজনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা রিটয়ার্দ তৌখিদুনা জেমস দকৱার্থনা ৪-২ দা দিসাইদিং সেটতা মায় পাকখি।

# নেসনল গেমস কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বরদা য়ুম্বু ওইনবা শেম শারে : গোৱা মিনিষ্টর

পনাজি, ওক্টোবর ০৫ :

নেসনল গেমসগী মতম য়ৈথোক্লবা হায়জখ্রবা মতুং গোৱা গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ানিংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বরদা গেমস অসিবু য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি। গেমস অসিগীদমক মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসু শেম শাদুনা লৈখ্রে।

গোৱাগী ষ্টেট স্পোর্টস মিনিষ্টর রামেশ টাৱাদকরনা হায়খি, অহানবদা ঐখোয়না নেসনল গেমস অসি চহী অসিগী নবেম্বর থাদা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবা হায়বীরক্তনবা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক্স এসোসিএসন (আই ও এ) দা হায়জখি। মসি গোৱা লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল মথং চহীগী অঙনবা মতমদা পাঙথোক্লবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবদগীনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুবু হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেম শারে অমদি ফোর্মেল ওইনা আই ও এদা নেসনল গেমসবু গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বরদা লাউথোক্লবা প্রোপোজেল পীশিনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গেৱা এসেমব্লিগী মীখল অসি




লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ কী মার্চমমাঙদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবনি।

টাৱাদকরনা হায়খি, নেসনল গেমসপু য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লব-গীদমক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিং মশক খঙদোক্লুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেম শানবা য়েংশিল্লে। আর্চরি ফিল্ডনা মোইঙ্গুইনিম ভিলেজদা পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী মার্চ থাগী অঙনবা মতমদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীফমদা টাৱাদকরনা নেসনল গেমস অসি চহী অসিগী নবেম্বর ৫ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্লবা মতম লেপ্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না এসেমব্লি মীফম অদুদা গোৱানা মাঙজৌননা লুপা ক্রোর ৯৭.৮০গী শেনফম অমা গেমস অসিবু য়ুম্বু ওইনবগীদমক সেন্টরদগী ফংলে হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

# কুমজা ২০২৬কী ৱর্ল্ড কপ্তা লৈবাক ৪৮ না শরুক য়াগনি

জেনেভা, ওক্টোবর ০৫ :

ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিং মশীং য়ামহন্দুনা পাক চাউবা থৌরাং লৌখৎনবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা কুমজা ২০২৬ কী টুর্নামেন্টদা লৈবাক ৩২ না শান্নবগী মহুৎ লৈবাক ৪৮ না শান্নরগনি।

মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট গ্যিান্নি ইনফান্টিনোনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা ওপনিং প্লে ওফ রাউন্দদা টিম ১৬না গেম অমা শান্নরবা মতুংদা ময়ুম লমদমদা হনখিগনি। মসিগী আইদিয়া অসি চৎনহন্নবা মীৎয়েং চঙলি হায়খি।

প্লে ওফকী ৱিন্নর ১৬না সিদেদ টিম ১৬ কা পুন্দুনা টিম ৩২ গী গ্রুপ ষ্টেজ চথ্থগনি মদু হৌজিক চৎনরিবা ৱর্ল্ড কপকী ফোর্মেটনি। ফিফাগী প্রসিদেন্ট ইনফার্ন্টিনোনা কলম্বিয়াগী বোগোষ্টাদা ৱা ঙাঙখিবদা হায়খি, টিম ৪৮ দা হেঙ্গৎপা হায়বসি মালেমগী য়াম্লবা লৈবাকশিং অমদি রিজনশিংবু হরাওহনবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

ইনফার্ন্টিনোনা ফোর্মেট অদুবু শন্দোক্না তাক্লদুনা হৌজিক মেচ ৬৪ লৈরিবা অসিগী মহুৎ মেচ ৮০ দা হেঙ্গৎলগনি অমদি ৱর্ল্ড কপ অসিবু মীয়াম্না য়েংনবা শন্দোক্লিবা ব্রোদকাষ্টরশিংনা মখোয়গী শেনফমশিং চাউনা তানবা ঙম্লগনি।

ব্রাজিলদা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদগী ফিফানা চাউরাক্না বিল্লিয়ন দোল্লর ৫ রোম তানবা ঙমখি। ৱর্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফোর্মেট অমদি য়ুম্বু ওইনবগী বিদ তৌবগী থবক থৌরমশিং জুরিকতা মথং চয়োলদা ইনফান্টেনোনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা কাউন্সিলগী মীফমদা খন্নগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কনাদা অমদি মেক্সিকোনা টুর্নামেন্ট অসি য়ুম্বু ওইনবগী লমজেলদা য়াওগদৌরি।

## বি এস এফ মরাথোন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ : লৈবাক অসিগীদমক য়েক্লবগা লান্থেংনবদা থৱায় কৎখ্রবা বি এস এফকী লান্মীশিংগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা সেক্টর হেদ ক্বার্টরস বি এস এফ (সী আই ওপস) কোইরেঙ্গৈনা শীন্দুনা ওক্টোবর ২১ দা বি এস এফ মার্টরস' মিনি মরাথোন অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হেদ ক্বার্টরস অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মরাথোন অসিদা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা অমসুং কন্সোলেসন প্রাইজ ১০ ফাওবা থল্লি। মরাথোন অসি কিলোমিটর ১০ শাংনা ইম্ফাল এরিয়াদা চেনগনি অদুগা লমথুংফমনা মেন ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক্তা ওইগনি হায়রি। মরাথোন অসিগীদমক অকুপ্পা মরোল খঙনিংবশিংনা বি এস এফ কোইরেঙ্গৈ, ৫৪ বট্টালিয়ন লোক্তাক এস টি সী চুড়াচান্দপুর, বি এস এফ পোষ্ট হায় কোর্ট কমপ্লেক্স/কেপিটেল কমপ্লেক্স অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক, দিরেক্টর ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস খুমন লম্পাক্তগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# আই এস এল ২০১৬ : নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা এফ সী গোৱাবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৫ :

ইমিলিয়ানো অলফারোনা চনখিবা গোল অনীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা মফম অসিগী ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ (আই এস এল)কী মেচতা এফ সী গোৱাবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী থংনা-থংননা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকখি।

উরুগুৱেগী ষ্ট্রাইকর অসিনা মেচ অদুগী অহানবা অমদি অনীশুবা সেসনদা গোল অমমম্ চন্দুনা মায় পাকখি। মায় পাকখিবা অদুনা য়ুম্বুনা হৌজিক পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈখ্রে। মখোয়না মমাঙদা ফংখিবা মেচসু মায় পাকখিবনি। টিম অনীমক্না মায়োক্লখিবা সাইদশিংদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিন্নখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১২ চৎপা মতমদা গোল চনবা য়াবা ফজরবা চান্স অমা অরেম্বদা তাখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী কোফি খৃষ্টিয়নগী ওইগী খোঙনা পীখিবা পাস অমদা অলফারোনা ওক্লগা কাওশিনখিবদা গোল চনবা ঙমখিদে অদুবু কাটসুমিনা অমুকসু হন্না কাওশিনখিবা বোলদা গোৱাগী গোলকিপ্পর কাটিমানিনা দ্রাইভ তৌদুনা বোল অদু ফাখিবগা লোয়ননা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

গোৱাগী কেপ্টেন লুসিওনা বোল ক্লিয়র তৌনবগীদমক কিপ্পরদা বেক পাস তৌরকখিবদা কাটিমানিনা বোল অদুবু ফানবগীদমক লৈরিঙৈ চৈরক্তা অলফারোনা বোল অদু গোৱাগী নেট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

গোল চনখিবগী লৈতাদ্রবা এফ সী গোৱানা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা মন্দার রাও দেসাইনা মায়োক্লখিবা টিমগী দিফেন্দর অনীবু নমহৎতুনা পুশিনখিবা বোল অমা জোফ্রে গোঞ্জালেজদা খায়দোরকখিদুনা গোঞ্জালেজনা বোল অদুবু ওক্লগা নীংথিনা কাওশিনখিবদা নোর্থইষ্টকী গোলকিপ্পর সুব্রটা পাউলনা থিংখিদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে।

হাফ থাগদবা মিনিট অমখক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদনা গোল চনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখ্রবসু কান্নখিদে।

অনীশুবা হাফতা এফ সী গোৱানা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক হনবা লৈতনা এটেকশিং নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদা তৌখি। অদুবু নোর্থ ইষ্টকী গোলকিপ্পরনা এফ সী গোৱানা এটেম্প তৌখিবা গোলশিং সেভ তৌখিদুনা অরেম্বা তাহনখি। মন্দারনা অহানবা টেষ্ট তৌবা ওইনা অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবা গোল অমা পাউলনা ফাখি অমদি ট্রিনদাদে গোনকালভনা অনীশুবা ওইনা শাংনা থাজিনখিবা বোল অমা কিপ্পরনা গোল ওন্থোকহনখিদে।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা মখা তানা গোল চন্ননবগীদমক এটেকশিং তৌখি। মখোয়গী মশক থোক্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬৩ চৎপা মতমদা অলফারোনা নীংথিনা কাওশিনখিবা বোল অমনা গোল ওন্থোকখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। গোৱা এফ সীসু মখা তানা নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। মখোয়না চঙশিনখিবা শাফূদা নোর্থ ইষ্টকী প্লেয়রশিংনা ৱালগুম থিংখিবা দিফেন্সতা লানশিনবা ঙমখিদবদগী গোলগী আশা মাঙখি। মখা তানা এফ সী গোৱানা গোল এটেম্পশিং তৌবা লেপখিদ্রবসু গোল চন্নবগী খুদোংচাবা অদুদি ফংবা ঙমদনা লৈখি।

নোর্থ ইষ্টনা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা অথুবা শাফূ অমদা উরুগুয়েন ষ্ট্রাইকর অলফারোনা মহাক্কী হেদ ট্রিক ফংনবগীদমক এটেম্প তৌখিবা বোল অমা রাজু গেকৱাদনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। অলফারোনা মহাক্কী গোল এটেম্প অদু মেচকী মিনিট ৭৯ চৎপা মতমদা তৌখিবনি।

টিম অনীমক্না গোল ইক্বেলাইজ তৌগদবা অমদি অহেনবা গোলশিং চনবা ঙম্নখিদবদগী অপীবা মতম ফাওবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা গোল ২-০ দা লৈখিদুনা গোৱা এফ সীবু মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ন সুপর লিগ (আই এস এল)কী অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা চেন্নাইয়িন এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা লিগ অসিগী ৱিন্নর ওইবা টিম ওইখিবনি।

# মারিয়া শরাপোভাগী অথিংবা থমখিবা মতম তেনশিনখিবদগী এপ্রিল থাদা শান্নবগী ফম্পাক্তা হল্লক্লগনি




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ :

আইননা থিংখ্রবা দ্রগ শীজিন্ন-রম্বগীদমক মারিয়া শরাপোভাবু চহী ২গী অথিংবা থমখিবা অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সী এ এস)না থা ৯ দা হন্থহনখিবদগী লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ কী এপ্রিল থাদা অমুক হন্না শান্নবগী ফম্পাক্তা হল্লক্লবগীদমক শরাপোভানা নুমিৎ মশীং থীবা হৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবী মারিয়া শরাপোভানা মথং চহীগী এপ্রিল ২৬ তা শান্নবগী ফম্পাক্তা হল্লক্কদৌরি। মহাক্না কেলেন্দর ইয়র অমদা পাঙথোকপা গ্রান্দ স্লাম মরিগী মনুংদা অহুমদি শান্নবা ফংগদৌরি হায়না পাঙ্জী এজেন্সীনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

কেলেন্দর ইয়র অমদা পাঙথোকপা গ্রান্দ স্লাম মরি অদুদি- অহানবা গ্রান্দ স্লামনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপননা ওইরি। ওপন অসি চহীগী অহৌবা থা জন্যুৱারীদা পাঙথোকপনি। অদুগা ফ্রেঞ্চ ওপন, ৱিমব্লেদন অমদি য়ু এস ওপননা এপ্রিল থাগী মতুংদা মথং-মথং পাঙথোক্কদবনি।

রুসিয়ন অসিনা আইননা থিংখ্রবা দ্রগ মেলদোনিয়ম শীজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইখিবদগী চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৬ তা ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ)না অথিংবা থমখিবনি। মেলদোনিয়ম হায়রিবা দ্রগ অসি ৱর্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সী (ৱাদা)গী লিষ্টতা য়াওরিবা অথিংবা থম্লবা দ্রগশিংনি। দ্রগ অসি শীজিন্নবনা এথলেটশিংগী পর্ফোর্মেন্সতা হেন্না মতিং হাপ্পগীদমক চহী অসিদগী অথিংবা থমখিবনি। শরাপোভানা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ মেলদোনিয়ম শীজিন্নরম্বগী অথিংবা থমখ্রবা মতুং মহাক্না ফংলম্বা কম্পেনিগী এদভর্টিজশিং তোকথোকখিবনি।

# দেবিদ ফেররনা চিনা ওপনগী ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে, করোলিনা প্লিস্কোভা মায় পাকখ্রে, সিবুলকোভা মায়থীদুনা লৈহৌরে

বৈজিং, ওক্টোবর ০৫ :

তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা সিবুলকোভানা মফম অসিদা চথ্থরিবা চিনা ওপনগী মেচতা ফ্রেঞ্চ ৱিমেন কোর্নেটকী মখুৎতা পুং অনীগা মখায় চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-২, ৫-৭, ৬-২ দা মায়থীহৌখিবদগী সিঙ্গাপুরগী দব্লিয়ু টি এ টুর ফাইনেলদা চঙবা ঙমখিদ্রে।

স্লোভাকিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৮ দা লৈরিবী অসিনা মহাক্কী অহানবা সার্ভতা চাং নাইনা কন্দুনা চঙশিনবা ঙমখিদে। মহাক্না অহানবা সার্ভ পোইন্ট চাদা ৪৬ তি মায় পাকখ্রবসু তকশিন্না শান্নখিবা কোর্নেটনা অয়াম্বা সার্ভকী পোইন্টশিং লৌখি।

সিবুলকোভানা মায়থীহৌখিবা অসিনা রাদৱানস্কানা সিঙ্গাপুরদা মহাক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌনবগীদমক হল্লকপা ঙমখি। অদুগা প্লিস্কোভানা মহাক্কী অহানবা ওইনা সিঙ্গাপুরদা চঙবা ঙমদুনা এঞ্জেলিগ কার্বর, সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমদি সিমোনা হালেপকা পুনবা ঙমখ্রে। কার্বর, ৱিল্লিয়মস অমদি হালেপতি হান্না ক্বালিফাইদ ওইখ্রবনি।

তরামরিশুবা সীদ পেট্রা কভিটো-ভনা লোকেল ফেভোরাইট ৱাং য়াফানবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখ্রে। মহাক্না মথং রাউন্দগী মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।





চেক অসিনা মমাঙ চয়োলদা ৱুহানদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

কভিটোভানা হায়খি, ঐঙোন্দা মোটিভেসন লৈ হায়না ঐনা খল্লি। ৱুহানদা মায় পাকখিবা চয়োল অদু খ্বাইদগী ফবা চয়োলনি হায়না লৌই হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ তা শোন্না শান্নবা হৌরকখিবী ৱোজনিয়াকিনা ৱর্ল্ডগী রেঙ্কিং ৭৪ শুবদা হাইথরক্তুনা লৈখ্রবসু মহাক্না টোকিয়োগী টাইটল লৌখিবা অমদি য়ু এস এ ওপনদা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুনা টোপ ২০গী রেঙ্ক মনুংদা হল্লকপা ঙমখি।

দেন অসিনা মশক থোক্না শান্নখিবা ১৩ শুবা রেঙ্ক রোবর্টা ভিন্সিবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। কুমজা ২০১০ গী চেম্পিয়ন অসিনা হৌজিক মথংগী রাউন্দদা রাদৱান্সকাগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। অহানবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা চঙলকখিবা ৪শুবা সীদ হালেপনা য়ানিনা ৱিকমেয়রবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

চিনা ওপনগী টাইটল অনীরক লৌখ্রবী মাপনশুবা সীদতা লৈরিবা সবেটলানা কুজনেটসোভানা মিসাকি দোইবু ৬-১, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, মঙাশুবা সীদেদ দেবিদ ফেররনা ফাবিও ফোগনিনিবু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা চিনা ওপনদা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

কুমজা ২০১০গী চিনা ওপনগী ফাইনেল অমদি মমাঙ চহীগী ফাইনেল চঙদুনা নোভাক জোকোভিচকী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখিবা ফেররনা মহাক্কী অহানবা ওইনা সিজন অসিদা টাইটল লৌনবগীদমক মীৎয়েং থল্লিবনি।

বৃটিশকী ক্বালিফায়র কেলে ইদমুন্দনা ৭শুবা সীদেদ রোবর্টো বৌটিষ্টা ওগটপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-৬তা মায়থীবা পীদুনা মথংগী ষ্টেজগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈরিবা এন্দি মরেগা মথংগী রাউন্দদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অতোপ্পা নুপীগী সাইদকী মেচতা য়ু এস ওপনগী রন্নর-অপ করোলিনা প্লিস্কোভানা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী দারিয়া কাসাটকিনাবু পুং অনীগা মখায় চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৩-৬, ৭-৫, ৭-৬(৭) তা মায়থীবা পীখি। জোহান্না কোন্টানা অতোপ্পা মেচ অমদা টেমিয়া বাবোসপু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। দারিয়া গাভরিলোভানা টিমিয়া বাকসিঞ্জকিবু ৪-৬, ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। এলিনা সভিটোলিনানা সাবিন লিসিক্কিবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা কারোলিনা গার্সিয়ানা পেং সুআইবু ৬-৩, ২-৬, ৭-৬ (৪)দা মায়থীবা পীখি। পেং সুআইনা ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা ভেনস ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীরমখিবনি। মহাক্না ৱাইল্ড কার্দ ওইনা চঙলকখিবগা লোয়ননা মায়থীহৌখিবা অসিনা চাইনিজগী কেম্পেইনসু লোইশিনখি।

# সিরিনা ভর্মা, অরুনধাটিনা রসিয়া ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

ভলাদিভোষ্টোক (রসিয়া), ওক্টোবর ০৫ :

ইন্দিয়ন শট্লর সিরিনা ভর্মা অমদি অরুনধাটি পান্টাৱানেনা মফম অসিদা চথ্থরিবা রসিয়ন গ্রান্দ প্রীগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপা অমদি নুপীগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা ষ্ট্রেট-গেমদা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

সিরিনানা রসিয়াগী এন্দ্রে জদানোভপু ২১-৭, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা অহুমশুবা সীদ ইজরেলগী মিশা জিলবর্মনগা লম্বা তৌদুনা স্পোর্ট হোল ওলেম্পিকতা শান্নগনি।

কুমজা ২০১১গী নেসনল গেমসগী চেম্পিয়ন অরুনধাটিনা রসিয়াগী অনাষ্টাসিয়া শারাপোভাবু ২১-৫, ২১-৯ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা মরিশুবা সীদেদ কম্পেট্রিওট রুথভিকা শিভানি গাদ্দেগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

পোলেন্দ ওপনদা মহাক্কী খুজেং শোকখিবা সেরিভ ভর্মানা অলেক্সেজ জোলোট্যুভতা ৱাঙ্ক ওভর পীথোকখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**IRRIGATION & FLOOD CONTROL DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 4th October, 2016

No.CE/IFC/6-58/2016 : In continuation of this office Notifications of even number dt.24th August, 2016, it is hereby notified that all eligible candidates who have applied for recruitment to various posts in this Department may collect their Admit Cards for **Written Examination (conventional method)** and **Viva Voce (walk-in-Interview)** from this office as per schedule given below during office hours by showing their **Cash Receipt** given at the time of submission of application forms.

| Sl. No. | Name of post | Date of issue of Admit Card |
|---|---|---|
| 1. | Driver, Khalasi, Peon, Barkandaz, Chowkidar and Sweeper | 7th, 8th (2nd Saturday) and 9th (Sunday) October, 2016 |
| 2. | Surveyor, Draughtsman Grade-III, LDC(OA)-cum-Computer Operator, Gauge Reader | 10th, 11th and 12th October, 2016 |

2. **List of eligible candidates** and **List of rejected / withheld candidates** with reason for rejection will be available in **NOTICE BOARD** of the Department on 6th October, 2016.

3. Further, the rejected / withheld candidates are requested to submit their legitimate complains, if any, on or before 10th October, 2016 for any clarification and amendment for valid complains. No complain after 12th October, 2016 will be entertained.

**Sd/- G. Robindro Sharma**
Chief Engineer
I. & F.C. Department, Manipur

HL-P/9979/5 & 6